# জুনিয়র বোইজগীদা লাইশ্রম রেনসন মৈতৈ ফাইনেল চঙখ্রে



**ইম্ফাল, মে ২৪ (ঐচ এন এস):**
ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট এমেচর বোক্সিং এসোসিএসননা শীন্দুনা ঙসিদগী খুমন লম্পাক বোক্সিং এরেনাদা হৌদোকখিবা ৫রক শুবা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট বোক্সিং চেম্পিয়নশিপকী ওইনা জুনিয়র বোইজগীদা এন এস বি এগী লাইশ্রম রেনসন মৈতৈ অদুগা জুনিয়র গর্লসকীদনা কিরন চিংঙাখম ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

ঙসি থিন্নখিবা তোঙান-তোঙানবা সেমীফাইনেল বাউটশিংদা স্কুল এজগী ওইনা কিষন নিংথৌজম, নোংদ্রেনখোম্বা মন্দেংবম ফাইনেল চঙখ্রে। জুনিয়র বোইজগীদা লাইশাংবম উনিংবা খুমন, সলাম দাইমন্দ ফাইনেল চঙখ্রে।

জুনিয়র গর্লসগীদনা অহৈবম সোনিয়া অমসুং লৈমপোকপম সঞ্জনা ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

ইলিট মেনগীদা কিংসননা রেনিশ মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

অমরোমদা, স্কুল এজগী ওইনা ঙসি ক্বার্টর ফাইনেল বাউটশিংগী ওইনা লাইশ্রম যুহেনবা মায় পাকখ্রে। জুনিয়র বোইজগীদা খোমদ্রাম নোংশাবা মৈতৈ, ইরোম কংলৈৱাং অমসুং নান্দেবম বেবিচান মীতৈ সেমীফাইনেল চঙখ্রে।

ঙসিদগী হৌদোকখিবা চেম্পিয়নশিপ অসিদা নুপা বোক্সর ৬৯ অমদি নুপী বোক্সর ৩১ পূন্না বোক্সর ১০০না শরুক য়ারি। মসিদা ইন্দিভিজ্যুএল ওইনা বোক্সর ৩১, মেরি কোম রিজনেল বোক্সিং ফাউন্দসনদগী বোক্সর ৯, ময়েংবম সুরঞ্জয় বোক্সিং একাদেমিগী বোক্সর ৬, নেসনল স্পোর্টস একাদেমিদগী বোক্সর ৬, পুহিংখুন বোক্সিং একাদেমিদগী বোক্সর ১৭, সরিতা রিজনেল বোক্সিং একাদেমিদগী বোক্সর ২৩ অদুগা য়ুনাইটেদ বোক্সিং একাদেমিদগী বোক্সর ৮না শরুক য়ারি।

# নুপাগীদা এ এম দি এ এস সী এ এম, নুপীগীদা ভেটোনা ৱিন্নর ওইখ্রে

**ইম্ফাল, মে ২৪ (ঐচ এন এস):**
মণিপুর ষ্টেট কবাদ্দি এসোসিএসননা শীন্দুনা থা অসিগী ২০দগী হৌরগা ৱাবগাইগী কার্দ প্লেগ্রাউন্দদা চথরকখিবা ৫০রক শুবা জুনিয়র বোইজ এন্দ গর্লস মণিপুর ষ্টেট কবাদ্দি চেম্পিয়নশিপকী ওইনা ঙসি শান্নখিবা তোঙান-তোঙানবা ফাইনেল মেটচশিংদা এ এম দি এ এস সী এ এম লিলোং অমসুং ভেটো লফুপাৎ তেরা মায় পাকখ্রে।



নুপাগী ফাইনেল মেটচতা এ এম দি এ এস সী এ এম অমসুং দল্লিয়ু এস দল্লিয়ু সী ৱাবগাইগী মরক্তা লম্বা তৌনখি। মদুদা এ এম দি এ এস সী এ এমনা দল্লিয়ু এস দল্লিয়ু সীবু পোইন্ট ২৫দা মায়থীবা পীরল্লগা চেম্পিয়নশিপ অসিগী নুপাগী ৱিন্নর ওইবা ঙমখিবনি।

অমরোমদা, নুপীগী ফাইনেল মেটচতা ভেটো লফুপাৎ তেরা অমসুং এম য়ু সী মোইরাংকম্পু অনীগী মরক্তা লম্বা তৌনখি। মদুদা ভেটোনা এম য়ু সীবু পোইন্ট ২৩দা মায়থীবা পীরল্লগা নুপীগী ৱিন্নর ওইবা ঙমখিবনি। মেটচ অসিগী ওইনা ভেটোনা পোইন্ট ৩৯ অদুগা এম য়ু সীনা পোইন্ট ১৬ ফংবা ঙমখি। ৱিন্নর ওইখ্রবশিংদা ওর্গনাইজরগী মায়কৈদগী ট্রোফি পীদুনা পূক্নিং থৌগৎখি।

# কংলৈপাক পারিনা ৱাই দি সী থোইখ্রে

**ইম্ফাল, মে ২৪ (ঐচ এন এস):**
ৱাই দি সী অৱাং পোৎশংবম খুনৌনা শীন্দুনা হৌজিক চথুরিবা অহানবা অৱাং কৌব্রু ট্রোফি ৯ মেন্স এসাইদ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২৪গী ওইনা ঙসি কংলৈপাক পারি অমসুং ৱাই দি সী (বি) অৱাং পোৎশংবম খুনৌগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অমদা কংলৈপাক পারিনা লাকচনা পাঞ্জল ৬-০দা ৱাই দি সী মায়থীবা পীখ্রে। কংলৈপাক পারিগী মায় পাকপগী পাঞ্জলশিং অদু অহানবা হাফতা অমা অদুগা অনীশুবা হাফতা মঙা চনখিবনি।

# কে এস সী মায় পাকখ্রে

**ইম্ফাল, মে ২৪ (ঐচ এন এস):**
দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসন (দি এফ এ) মোইরাংনা শীন্দুনা মোইরাং মল্টিপর্পজ হায়র সেকেন্দরি গ্রাউন্দদা চথুরিবা ৩লক শুবা কে বুধি মেমোরিএল থর্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০২২-২৩গী ওইনা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা কে এস সী কোকিলবোননা ঈ এল এস এ নরানসৈনা মায়থীবা পীখ্রে।

টিম অনীগী মরক্তা ঙসি নুংথিল পুং ২.৩০ তাবদগী হৌরগা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা হৌগৎলকপদা কে এস সীগী শান্নরোয়শিংনা বোল হেন্না পায়দুনা লাকচনা শান্নবা ঙমখি। মদুনা মরম ওইরগা মেটচ অদুগী ২২ অমসুং ২৫ শুবা মিনটতা কে এস সীগী পোইরৈঙানবনা পাঞ্জল অনী চনবা ঙমখি। মদুনা মরম ওইরগা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা কে এস সীনা পাঞ্জল ২-০দা মাংজিল থাদুনা চংখি।

অনীশুবা হাফ শান্নখিবা অদুগী ওইনা ঈ এল এস এগী মায়কৈদগী পাঞ্জলশিং হন্দোক্নবা য়াম্না কন্না হোৎনরবসু কে এস সীগী দিফেন্স লিংখিবনা মরম ওইরগা পাঞ্জল চন্নবা হোৎনখিবশিং মায় পাকখিদে। মেটচ লোইবদা পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমখিদবদগী কে এস সী কোকিলবোননা মেটচ অদু পাঞ্জল ২-০দা মায় পাকখিবনি।

# ঙসি ইম্ফাল থাদোক্লগনি

**ইম্ফাল, মে ২৪ (ঐচ এন এস):**
হয়েংদগী হৌরগা থা অসিগী ৩০ ফাওবা লক্ষ্মী বাই নেসনল ইন্সটিটুট ওফ ফিজিকেল এদ্যুকেসন (এল এন আই পি ঈ), সোনাপুর, গুৱাহাটি অসামদা পাঙথোক্কদৌরিবা য়ু এম এ আই মুইএ থাই নেসনল চেম্পিয়নশিপ ২০২৪দা মণিপুর রিপ্রজেন্ট তৌনবগীদমক ওল মণিপুর মুইএ থাই লভর্স এন্দ প্লেয়র্স ওর্গনাইজেসননা মমাং থাদা চঙাঙ্গৈ কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখিবা ট্রায়ল সেলেক্সনদা খনখ্রবা শান্নরোয় ৫২ অমসুং ওফিসল ৬ না শাবা টিম হয়েং ইম্ফাল ইন্টরনেসনল এয়রপোর্ট থাদোক্লগনি হায়না ওল মণিপুর মুইএ থাই লভর্স এন্দ প্লেয়র্স ওর্গনাইজেসনগী চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিগী মনুংইন্না ওফিসল ওইনা টিম অসিদা য়াওরিবশিংদি য়েন্দ্রেম্বম সনাজাওবা (টিম মেনেজর), অয়েকপম শঙ্কর (হেদ কোচ), গোলমৈ মরেমপু কবুই (এসিষ্টেন্ট কোচ), গোলমৈ ননাও কবুই (এসিষ্টেন্ট কোচ) অমসুং থোইচনু খুন্দ্রাকপম (রেফরি)নি।




HL-B/8711/7/5-5/6



HL-B/8795/25,26



HL-B/8291/21-27



HL-B/8663/24



HL-P/10928/23/5-21/6


## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 1138**

**Johan Eriksson (2403) - Johan Hellsten (2570)**
**Swedish Championship Gothenburg SWE (10), 2006.07.11**

| | | | |
|---|---|---|---|
| 1.d4 Nf6 | 2.c4 e6 | 3.Nc3 Bb4 | 4.Qc2 c5 |
| 5.dxc5 O-O | 6.a3 Bxc5 | 7.Nf3 b6 | 8.Bf4 Bb7 |
| 9.O-O-O Nc6 | 10.e3 Rc8 | 11.Bd3 Be7 | 12.e4 Na5 |
| 13.e5 Nh5 | 14.Bxh7+ Kh8 | 15.Be3 g6 | 16.Bxg6 fxg6 |
| 17.Qxg6 Qe8 | 18.Qh6+ Kg8 | 19.Bg5 Rf5 | 20.Bxe7 Qxe7 |
| 21.g4 Rxf3 | 22.gxh5 Rxc3+ | 23.Kb1… | |

**QUESTION :**
**Black to checkmate**

**Puzzle 1137 Solution :**

**27. Qxg6+** The white queen captures Black's pawn, which was defending the square f5. **hxg6**
27. ...Ke7 28. Nf5#
**28. Bxg6+** The white bishop captures Black's pawn, which was defending the square f5. **Ke7 29. Nf5#**
**1-0**

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com